
# পেগাসস স্নুপিং এলিগেসনশিংগী থীজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা এক্সপর্টশিংগী পেনেল অমা শেমখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
পেগাসস স্নুপিং এলিগেসনশিংগী মতাংদা অচুম্বা খঙদোক্নবগীদমক্তা ৱাথোক অসিবু থীজিন্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপর্ট টেক্নিকেল কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।




টোপ কোর্ট অসিগী থবক্তগী পোত্থারবা জজ-জষ্টিস আর ভি রবীন্দ্রননা কম্মিটি অদু সুপরভাইজ তৌগনি হায়রি।

চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়, কোর্ট অসিগী মথৌদি পোলিটিকেল এফ্যের্সতা য়াওশিন্দনা রুল ওফ লো চৎনহনবা অসিনি। লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা পেগাসস শীজিন্নবা হায়বসি কোর্ট অসিনা হকচিন্না লৌই।

জষ্টিস সুর্য়া কান্ট অমসুং জষ্টিস হিমা কোহলিসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, টেক্নোলোজি শীজিন্নবনা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙম্লবসু মসি মীওই অমগী প্রাইভেট লাইফতা অকায়বা পীনবা হোৎনবদসু শীজিন্নবা য়াই।

প্রাইভেসি হায়বসি জর্নেলিষ্টশিং নৎত্রগা সোসল এক্টিভিষ্টশিংখক্তগী ৱাফম নত্তে। ঐখোয়গী সিটিজন খূদিংগী প্রাইভেসি ঙাকপী শেনবীফম থোকই। ষ্টেটনা নৎত্রগা এক্সটর্নেল এজেন্সি অমনা ইন্দিভিজ্যুএল অমদা সর্ভিলেন্স চথবা মতমদা মসিগী রাইট অসি হকথেংননা খোঙ্গাওনৈ হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

পেগাসস শীজিন্নখি নৎত্রগা শীজিন্নদে হায়বগী অকুপ্পশিং সেন্টর রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল টুশর মেহতানা কোর্টতা থমখিদে। ইনফোর্মেসন অদুনা লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটিদা শোকহনবা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেহতাগী ৱাফম তারবা মতুংদা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা জুদিসল রিভিয়ুগী স্কোপ পনখৈ লৈ হায়বসি লোগী লেংদ্রবা ফিরেপনি। অদুম ওইনমক মসি নেসনল সিক্যুরিটি ৱাফমগী মতাংদা মতম চুপ্পদা ষ্টেটপু য়েংশিন্নিংঙাই ওইদে হায়বদি নত্তে।

নেসনল সিক্যুরিটি হায়বসি ইচম চম্না হেক্তা পল্লগা জুদিসরিনা মদুদগী নাথৈরগা চৎকদবা নত্তে । টোপ কোর্ট অসিনা হায়, ষ্টেটনা নেসনল সিক্যুরিটি চৎনহনবা হায়বসিদা ফোরেন গভর্ণমেন্টশিংনা স্পাইৱেয়র এটেক চত্থরকপা মতমদা মসিনা তূমিন্না লৈগদবনি হায়বদি লৈতে। গভর্ণমেন্ট খরদি অচুম্বা খঙদোক্নবা মনুংদা থীজিনবা হৌনখ্রে।

অকক্নবা মেটরিএল পন্দুনা পিটিস্নরশিংনা ফাইল তৌরকপা দোক্যুমেন্টশিং ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়াদে। দোক্যুমেন্টশিংদুদা সিটিজন লেবকুম্বা মমিং লৈরবা ওর্গনাইজেসনশিং রিপোর্টশিং অমসুং এক্সপর্টশিংগী এফিদেভিটশিং য়াওই।

অমরোমদা, রিপোর্টশিং অসি সেল্ফ-সর্ভিং অমসুং এ এ মোটিভেটেদ ওই হায়না মেহতানা কোর্টতা থমখি। ৱাফম অসি তাবদা কোর্টনা ষ্টেটকী অচম্বা এলিগেসন অসিনা কোর্টপু ৱাথোক অসিদগী থৈদোকহনবা ঙম্লোই হায়না টোপ কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

স্নুপিং এলিগেসনশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ উৎলক্তবদগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরক্নবা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হায়খ্রবা মতুংদা লামায় অনীগী এফিদেভিট অমখক থাগৎলকখি হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

# রেবেল কেন্দিদেট শৌগৎতনবা বি জে পিনা পার্টিগী লীদরশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
হিমাচল প্রদেশকী জুবাল কোটখাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই-ইলেক্সনদা ত্রাইএঙ্গুলর কন্টেষ্ট অমা মায়োক্নরকপগা লোয়ননা রুলিং বি জে পিনা রেবেল কেন্দিদেট শৌগৎপা পার্টি অসি কাদরশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাং লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পার্টিগী ওফিসল কেন্দিদেট নীলম সরাইক্কী মায়োক্তা থবক তৌরম্বশিং লেম্না থারোই হায়না পার্টি অসিনা ৱার্নিং তৌখি। হান্না বি জে পি ষ্টেট আই টি সেলগী মকোক ওইরম্বা রেবেল কেন্দিদেট চেতন ব্রগাতা ইন্দি-পেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা কন্টেষ্ট তৌরিবনি। লোকল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ব্লোক য়ুনিট কয়ানা মহাকপু শৌগৎলি।

মহাক্না বাই-ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ওইরকপদা শৌগৎখিবা ৱর্কর ৫০ হেন্না বি জে পিনা পার্টিদগী তান্থোকখ্রবনি। সিট্টিং এম এল এ অমসুং ব্রগাতকী অপোকপা- হান্নগী মিনিষ্টর নরেন্দ্র ব্রগাতা শিখিবদগী বাই ইলেক্সন অসি মথৌ তারকপনি। বাই-ইলেক্সন অসিগী মতম্না ওক্টোবর ৩০নি।

পার্টিগী সিনিয়র ফঙ্কসনরি অমনা ফোঙদোরকপদা, জুবাল কোটখাই বাইপোল অসি বি জে পি, কোংগ্রেস রেবেল অসিগী মরক্তা চত্থগদবা ত্রাইএঙ্গুলর কন্টেষ্ট অমা ওইরক্লে।

লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সি মান্দি অমসুং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনী-ফাতেহপুর অমসুং আর্কিগী বাই-ইলেক্সনশিংদা ঐখোয়না কোংগ্রেসকা হকথেংননা থেংনগনি। তৌইগুম্বসুং ব্রগতানা কেন্দিদেট ওইরকপদগী জুবাল কোটখাইদা ত্রাইএঙ্গুলর কন্টেষ্ট উরি। ব্রগতানা পার্টি অসিবু চাওনা শীংনরি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি অসিদা ঐখোয়গী ফিভম ফগৎলকখি। হৌজিক্তি ঐখোয়না মায় পাক্লগনি হায়বা থাজবা লৈরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পার্টিগী অতোপ্পা লুচিংবা অমনা হায়, লোকল বি জে পি কাদরশিংনা ব্রগতার শৌগৎলি অমসুং মখোয় খরদি মহাক্কা থবক তৌমিন্নরি। লোকল লীদরশিংনা ব্রগতাবু শৌগৎলি অমসুং পার্টিগী ওফিসল কেন্দিদেট নীলম সরাইককী মায়োক্তা থবক তৌরি। পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বশিং তান্থোকখ্রবনি।

থা অসিগী ২১দা বি জে পিনা এন্টি-পার্টি এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবা ৱর্কর ২১ পার্টি অসিদগী তান্থোকখ্রবনি। ওক্টোবর ২৩দা বি জে পিদা হিমাচল প্রদেশ মহিলা মোর্চানা মান্নবা চার্জদা মসিগী ৱর্কর তরেৎ তান্থোকখি। ওক্টোবর ২৫দা য়ুথ ৱিংগী ৱর্কর নিপাল দিসমিস তৌখি।

ওক্টোবর ২৬তা পার্টি অসিনা য়ুথ ৱিংগী ৱর্কর ১১, কিষান মোর্চাগী ৱর্কর মরি অমসুং এস সি মোর্চগী মেম্বর মঙা তান্থোকখি। বি জে পি ষ্টেট কো-ইনচার্জ সঞ্জয় তান্দননা এন্টি পার্টি ওইবা থবকশিংদা চেন্নবশিং ঙাকপীরোই হায়না ফোঙদোকখি।

## ক্যেরটেকরগী ফিঙ্গর প্রিন্ট থেংনরে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
অসামগী গুৱাহাটিদা থোকখিবা অহল ওইরবা মতৈ-মনাও অমবু তমথিনা হাৎলম্বগী থৌদোক্তা মখোয়গী ক্যেরটেকর অদুনা মরু ওইবা সম্পেক্ট ওইরি।

ক্রাইম মফম অদুদা ক্যেরটেকর অকাশ চৌধরিগী ফিঙ্গরপ্রিন্টশিং থেংনবদগী খোঙথাং অসি লাকপনি। দিভলপমেন্ট অসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গুৱাহাটিগী পুলিস কম্মিস্নর হরমিত সিংহনা কনফর্ম তৌখি। অকাশ চৌধরি অমসুং মহাক্কী লোয়নবীবু লৈবাক-পোকপা নুমিৎতা পুলিসনা ফাখি অমসুং মখোয়বু দিস্পুর পুলিস ষ্টেসনদা ৱাহং-পাউহং তৌখি।

অহল ওইরবা মতৈ-মনাও হাৎলম্বগী থৌদোক অদু হৌখিবা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা গুৱাহাটি সিটিগী বেল্টোলাদা লৈবা চন্দন নগরদা থোকখিবনি। লৈখি-দ্রবশিংদি মশাগী চহী ৮৬ শুরবা নানি গোপাল বারুৱা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী মশাগী চহী ৮৯ শুরবী মিনা বারুৱানি। অহল ওইরবা মতৈ-মনাও অসিগী ঈ তৈরবা হকচাংশিং বেদরুমদা লৈরম্না থেংনখিবনি।

# এফ পি এসশিংদা অপিকপা এল পি জি সিলিন্দরশিং য়োনবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী মফম শিন-থুংনা ফ্যের প্রাইস সোপ (এফ পি এস) শিংগী খূথাংদা অপিকপা এল পি জি সিলিন্দরশিং য়েনাবগী ৱাফম য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেন্টরনা হৌদোকখ্রে।



এফ পি এসকী খূথাংদা ফাইনান্সিএল সর্ভিসশিং ফংহনবা অমসুং কেপিটেলগী মতেং ওইনবা দিলরশিংদা মুদ্রা লোনশিং পীবগী ৱাফম অমা লৈরে হায়রি।

লৈবাক অসিদা পূন্না এফ পি এস লাখ ৫.৩২ লৈ। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা সেন্টরনা লায়রবা কঞ্জ্যুমরশিংদা ফাইনান্সিএল সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহনবগী পান্দম থল্লি।

এফ পি এসকী ফাইনান্সিএল লাইএবিলিটি ফগৎহনবদা মীৎয়েং থল্লদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী সেক্রেটরি সুধানসু পান্দেনা মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং পি এম য়ুশিংগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা ভিদিও কনফরেন্স অমদা হীরম অসিগী মতাংদা মায় পাক্লিংঙাই ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন চেরোল অমদা হায়, এফ পি এসকী খূথাংদা অপীকপা এল পি জি সিলিন্দরশিং রিটেলদা য়োনবগী ৱাফম অসি ওইল মার্কেটিং কম্পনিশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা থাগৎলকই অমসুং ইন্টরেষ্ট লৈবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ু টি গভর্ণমেন্টশিংগা তানরগা মথৌ তাবা সপোর্ট পীরগনি হায়না খঙহল্লক্লে।

মসিগী মমাঙদা কম্মন সর্ভিস সেন্টর (সী এস সী)গী সিন্টাওনা মসিনা ফংহল্লিবা তোঙান তোঙানবা সর্ভিস ওফরিংশিংগী রিপ্রজেন্টেসন অমা পীখি। ইনিসিএটিভ অসিবু খুমাঙ চাওশিলহন্নবা ইন্দিভিজ্যুএল ষ্টেট নৎত্রগা য়ু টি গভর্ণমেন্টশিংগা খূৎশম্নবা সী এস সীনা পায়খৎপা এক্টিভিটিশিংগী অপদেট অমসু পুথোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মখাদা লিংখৎপদা সী এস সী স্কিম অসিনা সিটিজনশিংদা সর্ভিস ফংহন্নবা, সেন্ট্রেলাইজ অমসুং কোলাবোরেটিভ ফ্রেমৱার্ক অমা পীরি।

সুধানসু পান্দেনা মহাক্কী অরোইবা ৱারোলদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং নৎত্রগা য়ু টিশিংনা ইনিসিএটিভশিং অসি লৌরগা মখোয়গী ইন্দিভি-জ্যুএল মথৌ তাবশিংগা চানবা মওংদা শেমদোকপা য়াই হায়না পনখি।

## অন্দরত্রাইএল ১ থৌরী য়াল্লগা শিজখ্রে

লক্ষ্ণৌ, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গোসাইগঞ্জ টাউনদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট জেলদা অন্দরত্রাইএল অমা থৌরী য়াল্লগা শিজখ্রে। সুইসাইদ নোটতা অন্দরত্রাইএল অদুনা মহাক মরাল লৈতে অমসুং পুলিসনা মহাকপু ফ্রেম তৌবনি হায়না ক্লেম তৌখি। পুলিসনা হায়রি মদুদি মহাক সুইসাইদ তৌখি অমসুং মহাক্কী হকচাং অদু পোষ্ট-মোর্টেমগীদমক থাখ্রে। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, লৈখিদ্রবা মীওই অদু রুপেশ কুমার (২৫) কৌই। মহাক সিতাপুর দিষ্ট্রিক্টকী বিস্কান লোকেলিটিদগীনি। মহাক ক্রিমিনেল কেস অমগা মরী লৈননা হৌখিবা ওগষ্ট ১২দা গোসাইগঞ্জ পুলিসনা জেলদা থাজিনখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না রুপেশ মথন্তা শিজখ্রে হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট জেল লক্ষ্ণৌদা দিপ্লোই তৌবা রাহুলপাল কৌবা কোন্সটেবল অমনা পুলিস ষ্টেসনদা মেমো অমা পুরক্লগা খঙহনখি। মেমো অদুদা রুপেশ জেল অদুগী সর্কল নম্বর ৱানগী বরাক নম্বর ২৩দা থম্বনি। মহাক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বারেক রুম অমদা মঙকশমদা সমচানা পুল্লগা থৌরী য়াল্লমখি। জেল দোক্টর অমনা য়েংবদা রুপেশ শিরমখি। জেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকপদা অন্দরত্রাইএল অসিনা নোট অমা ইরমখি। মদুদা মহাক মরাল লৈতে, পুলিসনা মহাকপু ফ্রেম তৌবনি হায়না পনখি।

# মপান্দগী হল্লকপশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা লুপা ক্রোর ২০০০গী প্লান হৌদোকখ্রে

থিরুভান্তাপুরম, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা মপান্দগী ময়ূমদা হল্লক্লবা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা কেরেলা গভর্ণ-মেন্টনা অথুবা মতমদা সেন্টরদা লুপা ক্রোর ২০০০গী প্রপোজেল অমা সবমিট তৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মসি ষ্টেট অসিনা মখোয়দা হান্না পীখ্রবা তোঙান তোঙানবা রিলীফ পেকেজশিংগী মথক্তনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ পোর্টেল দেটাগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ওক্টোবর ১৬ ফাওবদা পূন্না মপান্দগী মীওই ১৭,৫১,৮৫২ হল্লকখি। মখোয় অয়াম্বা মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদগী হল্লকপনি।

অদুম ওইনমক, এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না, মে ২০২০গী ওক্টোবর ফাওবদা পূন্না মীওই ৩৯,৫৫,২৩০ তোঙান তোঙানবা এয়রপোর্টশিং ফাওরগা চৎখি। মখোয় অয়াম্বা য়ূমদা হল্লক্লে।

মহাক্কী গর্ণমেন্টকী এচিভমেন্টশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ভেলিদ পাসপোর্ট অমসুং ভেলিদ জোব ভিজা পায়রগা লাকপা য়ূমদদি য়ৌরকপা ঙমদ্রিবা মীওই ১,৩৩,৮০০ দা লুপা লিশিং ৫/৫ পীখ্রে। মসিদা নত্তনা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবা রিটর্নিং ১৮১দা লুপা লিশিং ১০/১০ অমসুং দাইজপোরা পেন্সন ফংলবা মীওই ১৮.২৭৮ দা লুপা লিশিং ১০/১০ পীখি হায়না সী এমনা মখা তাখি।

# ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কন্নবা নুপা অমা হাৎখ্রে

পটনা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কন্নবা মী হাৎপগী কেস অমদা বিহারগী ইষ্ট চম্পারন দিষ্ট্রিক্টতা নুপা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

এটেক্করশিংদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শারৌথা ভিলেজদা লৈবা ভিক্টিম অৱানিশ কুমার সিংহগী য়ূমদা মহাক্কী মপা, মমা অমসুং লোয়নবীবুসু শাথিনা ফূরমখি। কুমারগী মমা হৌজিক হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু মকোক্তা নোংমৈ মরূ অমা পানবগা লোয়ননা মফম অদুদা খূদক্তা শিখি। পুলিসকী মতুং ইন্না অৱানিশনা হৌজিক্তি মহাক্কী লোয়নবী ওইরবা পুজা সিংহবু কুমজা ২০১৯দা চেনখি অমসুং দেল্লীগী প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক তৌবা হৌখি। মতুং তারকপদা মখোয় লুহোংখি অমসুং অশানবা য়ূমদা লৈবা হৌখি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা অৱানিশ থবক তৎতুনা ময়ূমদা হল্লক্নবা ৱারেপ লৌখি। সারাউথাদা মহাক মমা-মপা অমদি লোয়নবীগা লৈমিন্নখি। অৱানিশকী মপা প্রেম চান্দ সিংহনা পুলিসতা হায়খি মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা পুজাগী মপা মনোরঞ্জন সিংহ ঐখোয়গী য়ূমদা লাকখি অমসুং ঐঙোন্দা শাথিবা ফিভম লাক্কনি হায়না কিহল্লমখি। অদুম ওইনমক ঐঙোন্দা কন্না চৈরম-ঙাঙলম্লবা মতুংদা মহাক ময়ূমদা হনখি।

কোন্না মনোরঞ্জননা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা মনিংলোমদগী ঐখোয়গী য়ূমদা চঙলকখি অমসুং তূমদুনা লৈরিবা অৱানিশপু মকোক্তা নোংমৈনা কাপখি। মহাক খূদক্তা শিখি।

নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদা ইমুংগী অতৈ মীওইশিং মীকপ থোকখি অমসুং অৱানিশকী মনাক্তা চেনশিনখি। মখোয়বু মনোরঞ্জন অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা তমথিনা ফূখি। য়ূমলোন্নবশিং থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা এক্যুজ মনোরঞ্জন অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং চেনখি।

# ভেক্সিন এৱ্যেরনেস পীনবা কেম্পেন তৌরগনি

চেন্নাই, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
ভেক্সিনগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগীদমক্তা টামিল নাদু হেল্থ দিপার্টমেন্টনা য়ূমথোঙ খূদিং চঙবগী কেম্পেন অমা চত্থরগনি।

মীয়াম মরক্তা মরু ওইনা ষ্টেট অসিগী রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা ভেক্সিন কাপ্পিংদবা মীওইশিংগী মশিং হস্তনবগী পান্দমদা কেম্পেন অসি পায়খৎলকপনি।

মীদিয়াগী মীওইশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা টামিল নাদুগী হেল্থ সেক্রেটরি জে রাধাকৃষ্ণননা হায়খি, অহানবা দোজ নৎত্রগা দোজ অনীমক ওইরবসু ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংগী লিষ্ট অমা শেম্নবা মীশিংগী দেটা শীজিন্নবা হেল্থ ৱর্করশিংদা খঙহনখ্রে।

অমাকালাই থেদি মারুথাভুম স্কিমগী মখাদা য়ূম য়ূমদা চঙদুনা মীয়ামদা হীদাক-লাংথকশিং ফংহল্লিবা অর্বান অমসুং ভিলেজ নর্সশিংদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিনা এনালাইসিস তৌবদা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীশিং চাদা ৩১ ভেক্সিনগী সিঙ্গল দোজ ফাওবা কাপত্রি অমসুং চাদা ২৯ দমক দোজ অনীমক কাপ্লে হায়বসি খঙলে।

অহানবা দোজগী নেসনল এভরেজ চাদা ৭৫ ওইবনা হীরম অসিগী মতাংদা টামিল নাদুগী পার্সেন্টেজ নেন্নি। হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংবু পাম্বৈ অমা তৌবগা কাপ্পা য়ানবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থৌরাংশিং পুথোক্লে।

দিপার্টমেন্ট অসিনা চত্থবা ষ্টদি অমদা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্টশিং অমগা অমগা মান্নদে হায়বসি খঙবা ঙমখি। চেন্নাই, কাঞ্চীপুরম, কোইম্বাইটোর, নিলগিরিস অমসুং টিরাপ্পুরগুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিং অহানবা দোজগী ভেক্সিন কোভরেজ চাদা ৮০ রোম ওইদুনা নেসনল এভরেজদগী হেল্লবসু টিরুপাটুর, ভেলোর, মাইলাদুথুরাই অমসুং রানিপেটকুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংদদি মপূং মরৈ ফারবা মীওইশিংগী মরক্তা অহানবা দোজ কাপ্পসি চাদা ৬০ ফাওবা য়ৌদে। ভেক্সিন কোভরেজদা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র সিটিজনশিংদা চাং নেন্নি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা অপূনবা সিনিয়র সিটিজন ক্রোর ১.০৪গী মনুংদা চাদা ৪৭তমক ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্লি অমসুং চাদা ২৩খক্না দোজ অনীমক কাপ্পী।

## অঙাং ১,৯০০ হেন্না মিং চল্লে

আইজোল, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মার নেসনলশিংগী অঙাং ১৯০০ হেন্না হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা লেম্না মহৈ তম্নবগীদমক মিং চল্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেমস লালরিনছানানা ফোঙদোরকপদা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা ওগষ্টতগী ম্যান্মার নেসনলশিংগী মচা-মশুশিং লেম্না মহৈ তম্নবা স্কুলশিংদা মিং চল্লে। থৌরাং অসি রাইট ওফ চিলড্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন এক্ট ২০০৯দা য়ূম্ফম ওইরগা মীনুংশি য়েংলগা পায়খৎপনি।

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII KAK

**Ref. Mut. Case No. 484/AS & SO/VIII-Kak of 2021**

Elangbam Anendro Singh S/o (Late) Nongyai Singh of Hiyanglam Makha Leikai - Petitioner
-Vs-
(Late) Elangbam Nongyai Singh S/o Tamphajao Singh of Hiyanglam Makha Leikai - Opp.

[illegible] / NOTICE

Kakching the 26th October, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট খুল নং ৬৮-হিয়াংলম পাট্টা নং ১২২ অরিবা, ৫৬০ অনৌবা, দাগ নং ৩০৯ অপূনবা এরিয়া ১.২৩ একর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত পাট্টাদারগী ইংখোল অসি মৃ: পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৪/১১/২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- Asstt. Survey & Settlement Officer, Manipur

HL-P/0497/28

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mutation Case No. 470/SDC/IW/P of 2021**

Shri Ngashepam Yaiskul Singh S/o (Late) Tomchou Singh of Yurembam Makha Leikai - Petitioner
-Vs-
Late Shri Ngashepam Tomchou Singh S/o (Late) Bheigya Singh of Yurembam Makha Leikai - O.P. Party

[illegible] / NOTICE

Dt. 27/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর 79-Yurembam গী পাট্টা নম্বর (1) 349 (2) 228 দাগ নম্বর (1) 50 (2) 452 গী পোইন্ট .61+.20=.81 একর চাওবা অঙনফৌগী পোইন্ট .61+.20=.81 একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/১১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/503/28

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mutation Case No. 471/SDC/IW/P of 2021**

Shri Ngashepam Syam Singh S/o (Late) Tomchou Singh of Yurembam Makha Leikai - Petitioner
-Vs-
Late Shri Ngashepam Tomchou Singh S/o (Late) Bheigya Singh of Yurembam Makha Leikai - O.P. Party

[illegible] / NOTICE

Dt. 27/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর 79-Yurembam গী পাট্টা নং 66 (Old) 249 (New) দাগ নম্বর 1198 গী পোইন্ট .09 একর চাওবা ইংখোলগী পোইন্ট .09 একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/১১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/503/28

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mutation Case No. 473/SDC/IW/P of 2021**

1. Ngashepam Dijamani Singh S/o (Late) Tomchou Singh of Yurembam Makha Leikai
2. - do - Babushahep Singh S/o (L) - do - of - do - - Petitioners

-Vs-
Late Ngashepam Tomchou Singh S/o (Late) Bheigya Singh of Yurembam - Decease Pattadar

[illegible] / NOTICE

27/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ৭৯-য়ুরেম্বমগী পাট্টা নং ২১৮ (অরিবা), ৫২ (অনৌব) গী দাগ দাগ নং ১০৩৮ অমসুং ১০৪০ গী এরিয়া .২০+১.২৪=১.৪৪ একর চাওবা ফৌরেলগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মচানুপা নং (২) দা দাগ নং ১০৪০গী মনিং থংবা শরুক্তা .৬২ একর অমদি লেমহৌবা .৬২ একর দাগকী মমাঙ থংবদা অমসুং দাগ নং ১০৩৮ গী এরিয়া .২০ একর অসিনা দংকারি নং (১) দা মথংশীৎনা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ০৪/১১/২০২১ ইং গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/503/28

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Ref :- Mutation Case No. 476/SDC/IW(N) Sekmai of 2021**

Angom Ongbi Chandrika Devi Wo (L) A. Robindro Singh of Awang Sekmai Bazar - Petitioner
-Vs-
(Late) Angom Robindro Singh S/o (L) A. Tomal Singh of Awang Sekmai - Pattadar

[illegible] / NOTICE

Seimai, the 23/10/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West (N) Sekmai Tashil Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 853 (Old) 1741/4423 (New) Covered by C.S. Dag No. 1404/1417 গী area .625 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজখ্রনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, North Sekmai

HL-P/9546/28

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mutation Case No. 472/SDC/IW/P of 2021**

Shri Ngashepam Syam Singh S/o (Late) Tomchou Singh of Yurembam Makha Leikai - Petitioner
-Vs-
Late Ngashepam Ningol Ibemnungshi Devi D/o (Late) Tomchou Singh of Yurembam Makha Leikai - O.P. Party

[illegible] / NOTICE

Dt. 27/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর 79-Yurembam গী পাট্টা নং 184 (Old) 358 (New) দাগ নম্বর 1006 গী পোইন্ট .64 একর চাওবা অঙনফৌগী পোইন্ট .64 একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/১১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/503/28

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III- MANIPUR

**Ref. Mut. Case No. 267/AS & SO/III Date 26/10/2021**

Lamkhovah Haokip W/o Late Mangkhopao Haokip of Palace Compound - Petitioner
-VS-
Mangkhopao Haokip S/o Hemsho Haokip of of Palace Compound - O.P.

[illegible] / NOTICE

Imphal 27/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 38 (A) Palace Compound পাট্টা নং 340 অনৌবা দাগ নং 4474/4519 এরিয়া .078 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং (L) Mangkhopao Haokip মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরি-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 5/11/21 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, III-Manipur

HL-P/0449/28

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 425/SDC/IW-L/2021**

1. Sandham (O) Leitanthem Bimola Devi D/o (L) L. Kesho Singh of Taothong Khunou.
2. Namaram (O) Leitanthem Loidang Devi D/o (L) L. Kesho Singh of Phumlou.
3. Mutum (O) Leitanthem Medha Devi D/o (L) L. Kesho Singh of New Chekon.
4. Leitanthem Phajabi Devi D/o (L) L. Kesho Singh of Taothong Khunou. - Petitioners

-VS-
Late Leitanthem Kesho Singh S/o (L) Tomba Singh of Lamdeng Khunou. - OP Party

[illegible] / NOTICE

26-10-2021

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার লৈতানথেম কেশো সিংহ পীতা মৃত তোম্বা সিংহ সাং লমদোং খুনৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৩/৬১৪ দাগ নং ১০৮১/১৪১১ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.১০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবিনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, IW-Lamsang

HL-P/0504/28